# মণিপুর ষ্টেট লীগ : রাকেশকী গোলগী মতেংনা নাকো নম্বুল মপালনা এ আই এমবু লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৯(ঐচএনএস): ঙাইরাংবম রাকেশনা চনখিবা গোল ৪ অমদি লাইশ্রম বিনোইনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা নম্বুল মপাল এথলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো)না অনৌবা ইমাগী মঙাল (এ আই এম) খাবম লমখাইবু লাকচনা ৫-০দা চথুরিবা খুমুকচম ইঙোচা মেমোরিএল ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নবা হৌরকপদগী নম্বুল মপালগী নুপামচাশিংনা খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা ঙাইরাংবম রাকেশনা শান্নবা হৌরকপগী ৭শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা অহানবা হাফকী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল হাপচিনবা ঙম্মদবদগী নাকো নম্বুল মপালনা খাবম লমখাই টিমবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

রাকেশনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনটতা নম্বুল মপাল টিমগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী মহাক্কী হেটট্রিক গোল চনবা ঙমখি। মেটচ লোইরমদাই মহাক্না শান্নবগী ৮৭ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি য়ুলুং লুংসুনা খাবম লমখাইগী চিংঙাখম অকাশ অমদি খাইদেম অর্জুন শান্নবগী ২৯ অমদি ৫৫শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও) ক্নাকৈথেলনা নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিং এসোসিএসন (নিসা) থাংমৈবন্দবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

কেপ্টেন খুমন্থেম অরুননা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা ট্রাওগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা থাংমৈবন্দ টিমবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

ক্নাকৈথেল টিমগী খূদুম চনবা মখা চথুরকপা ওইনা আর কে চিরঞ্জননা শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা ট্রাওগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা ট্রাওগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনখি।

থাংমৈবন্দ টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সৈগৌথাং খোংশাইনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি সুরেশ সরুংবমনা ট্রাওগী মৈতানকৈশংবম ক্লিন্টন খুমন অমদি নিসাগী লাইশ্রম জিবন শান্নবগী ১১ অমদি ১৯শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা ওক্টোবর ১দা গ্রুপ এগী মেটচ অনী শান্নরগনি।

## ষ্টেট য়ু-১৯ ৱিমেন্স ক্রিকেট টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৯ (ঐচএনএস): চান্দিগরনা য়ূম্থু ওইদুনা ওক্টোবর ১দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা বি সী সী আই টুর্নামেন্ট অন্দর-১৯ ৱিমেন্স টি-২০ ট্রোফি২০২২-২৩দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা সনাবম বিনোদনা লুচিংবা মীওই ২০না শাবা টিম ঙসি চান্দিগরগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।



ষ্টেট টিম অসিগী সপোর্ট ষ্টাফতা সনাবম বিনোদনা টিম মেনেজর, ফৈরোইজম রোহিন্দ্রো অমদি চাওবা মৈকমনা কোচ, সেভিয়া চবুংবমনা ফিজিও অমদি জোয়ীতা ফুরাইলাৎপমনা ট্রেনর ওইনা শরুক য়াখি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা ব্রহ্মচারিময়ুম সেতর্নি, ইরেংবম সেলিনা চনু, খালিদা, খোইবম বন্তি, খুন্দ্রাকপম অঙৌবী, কোন্সম সয়াতোম্বী, লাইশ্রম নিরুকা, লাইশ্রম তেরেসা, লৌরেম্বম প্রেনা, মঙাললৈবী সলাম, নিরুতা থৌদাম, পালুজম কিরনবালা, প্রিয়াঙ্গি হাংলেম, থৌদাম মঙালসনা অমদি তোংব্রম বন্দনানি।

মণিপুরনা হরয়ানাগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎ ওক্টোবর ১দা থেংনরগনি। মথংগী নুমিৎ ওক্টোবর ২দা বারোদাগা অনীশুবা মেটচতা শান্নরগনি। অদুগা অহুমশুবা মেটচতা মিজোরামগা ওক্টোবর ৪দা, মরিশুবা মেটচতা মহারাষ্ট্রগা ওক্টোবর ৬ অমদি মঙাশুবা মেটচতা কেরলাগা ওক্টোবর ৮দা লম্বা তৌনরগনি।

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয় ১১ পূক্নিং থৌগৎখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৯ (ঐচএনএস): উত্তর প্রদেশকী কোনুং লক্ষ্ণৌদা হন্দক্তা থা অসিগী ২২দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১১শুবা নেসনল ভোভিনাম চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা গোল্ড ৩, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ১১ লৌরকখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেকচমদগী শান্নরোয় ১১বু নীংশিং লূপ তেকচমনা শীন্দুনা তেকচম লাইবুংদা তরাম্না ওকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুনা ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা নীংশিং লূপ তেকচমগী থৌমীশিংনা তরাম্না ওকপগা লোয়নননা তেকচম লাইবুংদা মখা তানা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। মফম অদুদা হান্ননা ঙাইদুনা লৈরম্বা লমদম অদোমগী মীয়াম্না শান্নরোয়শিংবু লৈ পরেং হুকপগা লোয়নননা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মাইবম কুন্দন, এম জেনিসন অমদি এল চিঙ্খোনা গোল্ড মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখি অদুগা লমঙানবা অমসুং এল দিনরননা সিলভর মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখি।

এল চিঙ্খোঙানবা, এম ধকেশ্বর, এন শঙ্কর, এন রাজু, এস মনিসনা অমদি এস মেসিনা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখিবনি।

ওকপগী থৌরম অদুদা লাংঙথেল জিল্লা পরিষদকী মেম্বর সোইবম ওংবী ইবেতোম্বী, তেকচম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এল ইবোয়াইমা, সোসল ৱর্কর এল গীরিধোন, ৱার্দ মেম্বর এম তিকেন অমদি নীংশিং লূপ তেকচমগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু চান্দনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

## অম্বাগী জি বি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৯ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (অম্বা)গী চহীগী ওইবা জেনরেল বোদি মীটিং ওক্টোবর ১৬কী অয়ুক পুং ৯দা খুমন লম্পাক্তা লৈবা অম্বাগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্লেম্বম সুনন্তনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা মীটিং অসিদা এসোসিএসন অসিগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী ২০২২দগী ২০২৬ ফাওবগী চহী ৪গী টর্ম পায়নবা জেনরেল ইলেক্সনগী মতাংদা মরুওইনা খন্নগনি। মীটিং অসিদা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা মতম চানা লাক্তুনা মীটিং অসিবু শরুক য়ানবা মখা তারক্লি।

## অম্ফানা থল্লম্বা অথিংবা অমদি ফাইন হন্থহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৯ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা মণিপুর ষ্টেট লীগ অমদি অনীশুবা অম্ফা কপকী তোঙান-তোঙানবা ক্লব অহুম- ক্লাসা এফ সী কৈনৌ, রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমদি ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিগী শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংদা থল্লম্বা অথিংবা অমদি ফাইনগী শেনফম হন্থখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

অম্ফাগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলনা মখা তানা খন্নরবা মতুং ক্লাসা কৈনৌদা লুপা লিশিং ৫০গী ফাইন তৌরম্বা অদু লিশিং ৩০দা অদুগা রাওদা লিশিং ২০গী ফাইনগী শেনফম লিশিং ১০দা হন্থখ্রে।

ক্লাসাগী শান্নরোয় সুধির লাইতোঞ্জম অমদি সাপম কেনেদি অদুগা রাওগী শান্নরোয় ৱাংখৈময়ুম ওলেনজিৎ অমদি পি ঐচ কিষনদা মেটচ ২/২ শরুক য়াদনবগী অথিংবা থল্লম্বা অদু মেটচ অমমম্দা হন্থখ্রে।

ক্লাসা এফ সীগী দোক্টর সী ঐচ সঞ্জিৎতা মেটচ ৩ সম্পেন্দ তৌখিবা অদুসু ২দা হন্থখ্রে।

অমরোমদা, অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল নবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লদুনা, অম্ফা কপগী টিম অমা ওইরিবা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিগী হেদ কোচ পি রেনেদিদা মেটচ ২গী অথিংবা অমদি লুপা লিশিং ১০গী ফাইন তৌখিবা অদুসু মেটচ ১দা হন্থরগা লুপা লিশিং ৫গী ফাইন থীনবা খঙহনখ্রে।

কে এস ঐচ লৈহাও সুপর দিভিজন লীগ

## এল ৱাই এ ৱাঙুনা কে এম এস দব্লিয়ু সী কৈরক থোইখ্রে, য়ু বি এস এ মান্তক অমদি এস দব্লিয়ু সী কৈরক দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৯(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা চথুরিবা ২০শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগ ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা লাইফম য়ুঠ এসোসিএসন (এল ৱাই এ) ৱাঙুনা কৈরক মখা সোসল ৱেলফ্যের ক্লব (কে এম এস দব্লিয়ু সী) কৈরকপু লাকচনা ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।



কৈরক টিমগী মিরাজ অলমনা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গৌরোনা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা দয়ানন্দনা এল ৱাই এগী গোল ১ হাপচিন্দুনা কৈরক টিমবু ২-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

ৱাঙুগী নুপামচাশিংনা খূদুম চন্না মখা চথুরকপা ওইনা লমজিংবনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা এল ৱাই এগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। দয়ানন্দনা মখা তানা শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। য়াইফবনা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা এল ৱাই এগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা কৈরক টিমবু লাকচনা ৫-১দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা গ্রুপ এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স স্পোর্টিং এসোসিএসন (য়ু বি এস এ) মান্তক অমদি সোসল ৱেলফ্যের ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) কৈরক ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

মান্তককী গোলশিং অদুনা এম দি রিয়াজ কোম অমদি রেংসেং কোমনা শান্নবগী ৮ অমদি ৭৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। এস দব্লিয়ু সীগী গোল ২ অদুনা টি ঐচ বঙ্কিম অমদি এম দি সমিরনা শান্নবগী ১৯ অমদি ৮৮ শুবা মিনটতা চনখি।

মেটচ অসিদা রেফরি টি রঞ্জিতানা মান্তককী শান্নরোয় ২ সোনৈগির কোম অমদি নাসির হুসেন শান্নবগী ২৮ অমদি ৪০ শুবা মিনটতা অদুগা এস দব্লিয়ু সীগী ৱাই অকাশ, টি ঐচ রোনাল্ড অমদি এ লমঙানবা শান্নবগী ৪০, ৫৬ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা ওক্টোবর ১দা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা গ্রুপ এগী সোসল ৱেলফ্যের ক্লব ৱাইখোং অমদি য়ু বি এস এ মান্তক নুংথিল পুং ১২.১৫দা থেংনরগনি। অনীশুবা মেটচতা গ্রুপ বিগী ককচীং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিএসন (এ কে এস এ) অমদি সেনা এথলিট ওর্গনাইজেসন (সাও) ককচীং নুংথিল পুং ২.৩০দা লম্বা তৌনরগনি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

## ইংলেন্দনা মখোয়গী বোল কন্ট্রোল ঙম্বদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা মায় পাক্নবা হোৎনগদৌরি




### নুমিৎ ৫১নি খক্তা ঙাইশিল্লক্রে মীয়াম্না ঙাইগদবা

ইংলেন্দনা কোচ গেরেথ সাউথগেটকী লমজিং মখাদা মখোয়না হেন্না বোল কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বদা পান্দম ওইদুনা মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা মায় পাক্নবা হোৎনগদৌরি।

গেরেথ সাউথগেটনা ইন্টর্ভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না এরিয়া খরদা য়াম্না স্কৱাদ লাউথোক্নবসু সাউথগেটকী টিম শীটতা হেরি কেননা ইংলেন্দগী কেপ্টেন ওইনা অহানবদা লেংদনা লৈবগা লোয়নননা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা জুদ বেলিংহম, ফিল ফোদেন, দেক্লান রাইস অমদি বুকায়ো সাকানা ইংলেন্দগী কি প্লেয়র ওইনা শান্নগদৌরি।

মালেমগী ওইনা মচীন তুমখৎলক্লিবা ষ্ট্রাইকরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কেননা মেজর টুর্নামেন্টশিং অমদি কম্পিটিটিভ মেটচশিংদা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদগী গোল য়াম্না চনবা ঙমখ্রে। মহাক হৌজিক ৱেন রুনিগী গোল ৫৩ চনবগী ওভরওল রেকোর্দকা নক্নুনা চৎলি।



ইংলেন্দ টিমগী কোচ গেরেথ সাউথগেট

### কটার ২০২২দা ইংলেন্দগী অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা শান্নরোয় মঙা



হেরি কেন (ষ্ট্রাইকর)



ফিল ফোদেন (মিদফিল্ডর/ফোরৱার্দ)



বুকায়ো সাকা (ফোরৱার্দ)



দেক্লান রাইস (মিদফিল্ডর)



জুদ বেলিংহম (মিদফিল্ডর)

হেন্না ফরি। পোজিসনশিং অসি লেংদনা লৈহন্নবা হোৎনগনি। অদুবু মায় পাক্নবা টিমগী খোঙচৎতা বেলেন্সিং ওইনা থম্বা মথৌ তাই। ঐখোয়না বোল কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা গেমগী এস্পেক্ট খূদিংমক্তা ইমপ্রুভ তৌনবা পান্দম থল্লি। কটার ৱর্ল্ড কপকী মাংওইননা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ইটলিগা শান্নখিবা মেটচতা ০-১দা মায়থীহৌরবসু সাউথগেটনা মহাক্কী শান্নরোয়শিংগী পর্ফোর্মেন্সপু পোজিটিভ ওইনা উরি।

হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চাবা ইংলেন্দগী দেক্লান রাইস য়ুরোপকী খ্বাইদগী ফবা মিদফিল্ড প্লেয়র ওইবদা নৎতনা য়ুরো কপতা ইংলেন্দগী টোপ পর্ফোর্মরসু ওইবা ঙমখি। মহাকশীংথানিংঙাই ওইরবা তোপ-তোপ্পা বোল রিকোভরিগী স্কিলসু নীংথিনা লৈবা শান্নরোয় অমসুনি।

ফিল ফোদেন চহী ৫গী মমাংদা ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা ফিফা অন্দর ১৭ ৱর্ল্ডকপকী ইংলেন্দনা চেম্পিয়ন ওইবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অমদি প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী মনাসু ফংখিবা য়াম্না টেলেন্ট লৈবা শান্নরোয় ওইরি।

| Date | Match Details (Grp-B) | Venue |
|---|---|---|
| November 21 | England vs Iran | Khalifa International Stadium |
| November 25 | England vs USA | Al Bayt Stadium |
| November 29 | England vs Wales | Ahmed Bin Ali Stadium |

ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

## কে ৱাই ভি ও, এল ৱাই এল এল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৯ (ঐচএনএস): দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা অহানবা এল ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে ৱাই ভি ও ক্নাসিফাইনা য়ু এফ সী বিষ্ণুপুরবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ক্নাসিফাই টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস মাইকেল, টি ঐচ দিঙ্কু অমদি টি ঐচ রোহিটচন্দ্রনা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা অদুগা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৬ অমদি ৬৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। য়ু এফ সীগী গোল অনী অদুনা থাইমৈ এদৱিন অমদি টি ঐচ লেনিননা শান্নবগী ২৫ অমদি ৭৩ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এল ৱাই এল এল লৈমরামনা টি ৱাই দি এ তৌবুলবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লৈমরাম টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু ঙমগৌলেননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা চনখি।

## প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ৩৬শুবা নেসনল গেমস হৌদোকখ্রে



অহমেদবাদ, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা এথলিট ৮,০০০ হেনবগা লোয়নননা ৩৬শুবা নেসনল গেমস ঙসি নুমিদাং গুজরাটকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসি স্পোর্টস পাৱর ওইহনবা মতম ওইরে। শান্নরোয়শিংগী মায় পাকপা, মখোয়গী মথৌনা লৈরবা পর্ফোর্মেন্সনা তোঙান-তোঙানবা ফিল্ডশিংদা লৈবাক অসিবু মায় পাক্নবগী লম্বী ওইহল্লগনি হায়খি।

মোদিনা মখা তানা মহাক্কী লৈঙাকপুসু শান্ন-খোৎনবা অমদি শান্নরোয়শিংবু মতেং পাংবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## ৱেথলিফটিংগী গোল্ড মেদলিষ্ট মার্টিনা তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৯ (ঐচএনএস): ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকখিবা নেসনল ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা নেসনল রেকোর্দ অহুম থমদুনা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী মাইবম মার্টিনা ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

এয়রপোর্টতগী থুংলবা মতুং মহাক্কী পোক্নফম লমদম নম্বোল ফোইজিংদা ফোইজিং চীংনিং জুভেনাইল ক্লবনা শীন্দুনা ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। মহাক ফোইজিং চীংনিং ৱার্দ নম্বর ১৭তগী মাইবম বিজেন অমদি মাইবম ওংবী উমাগী মচানুপীনি।

মার্টিনানা উজবেকিস্থানগী টাস্কেন্টতা চহী অসিগী জুলাই ১৫দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা এসিয়ন য়ুঠ এন্দ জুনিয়র ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল অমা ফংবা ঙমখি। মহাক খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স নেসনল ৱেথলিফটিং টুর্নামেন্টকী জুনিয়র কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবদা নৎতনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়ারুবী শান্নরোয়নি।


## ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

Masters Athletic Association Imphal West, YAS Department না NOC পীদুনা 2020 দা Register তৌরবা মতুংদা State Level দা Affiliation তৌবীনবগী State Level থিরুবা মতমদা Manipur Masters Athletics Association (MMAA) Regd. No. 48/M/SR/2003 অসি অনি থোক্নুনা Court Case তৌদুনা লৈরমখি, হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দ্রি। Affiliation তৌগে হায়দুনা থিরুবদদি ফংদে অদুগা হৌজিক্তি National গী Programme মতম য়ৌশিল্লকপসিদা Adhoc হায়বনে/হায়দবনে Trial তৌগদবগী লাংনরক্লে। Association অসিগী অশেংবা President/Secretary অমুক্তা হায়বিরকউ District Level Association Affiliation তৌবীয়ু, কদায়দনো লাকচগে নত্রবদি কনাগুম্বা অমত্তনা Trial তৌবীগনু, Masters Athlete শিংবু ঙাওহনবীগনু অমদি মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীয়ু। Manipur Masters Athletic Association দি Executive Council শেম্নবগী Election তৌগনি হায়দুনা Nomination file তৌদুনা Registrar of Societies গী Office না মতম কক্তুনা Postponed তৌরগা লৈরিঙৈ চৈরকসিদা Manipur Masters Athletic Association থোক্লক্লিবসি কদায়দনো ময়েক শেংনা তাকপীরকউ।

**Sd/- Ashem Chandrakumar Singh**
Secretary
Masters Athletic Association, Imphal West
Mobile No. 8014273531

HL-P/4293/30

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 587

**CM Vuppala Prraneeth (2457) - IM Alex Krstulovic (2413)**
**Vezerkepzo Summer GM 2022 Budapest HUN, 2022.07.28**

1.e4 e6 2.d4 d5 3.Nc3 Nf6 4.e5 Nfd7
5.f4 c5 6.Nf3 Nc6 7.Be3 Qb6 8.Na4 Qa5+
9.c3 b6 10.Bd2 c4 11.b4 Nxb4 12.cxb4 Bxb4
13.Rc1 Bxd2+ 14.Nxd2 b5 15.Nc3 O-O 16.Be2 b4
17.Nce4 dxe4 18.Nxc4 Qd5 19.Nd6 Qxa2 20.Ra1 Qd5
21.Bc4 Qc6 22.O-O Nb6 23.Bb5 Qc3 24.Kh1 e3
25.Bd3 Bd7 26. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 586 Ans. :**

28. Qxc4 Opening the line from g2 to c6. Opening the line from d1 to d8. dxc4 29. Bc6+ Kf8 30. Rd8+ The white rook skewers Black's king and rook.Qxd8 31. Rxd8# Back-rank mate

28. Qxc4 dxc4 29. Bc6+ Rd7 30. Bxd7+ Kd8 31. Bxa4+ Kc8 32. Rd6 Qe3 33. Rc6+ Kb8 34. Nc5 Qe2 35. Rb6+ Ka7 36. Rxa6+ Kb8 37. c3 b3 38. Rad6 bxa2+ 39. Kxa2 Rc8 40. Rb6+ Ka7 41.Rb7+ Ka8 42. Bc6 Qxd1 43. Rc7+ Kb8 44. Na6#
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com